# সাউথ অফ্রিকাগী নুপীগী ক্রিকেট টিমনা ইংলেন্দগী টিমবু ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপকী গ্রুপ ‘বি’গী মেচতা ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখ্রে



পর্থ, ফেব্রুৱারী ২৩(এজেন্সী): ওস্ট্রেলিয়ানা যুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা আই সী সী ৱিমেন্স টি-২০ ৱর্ল্ড কপ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি গ্রুপ ‘বি’গী শান্নখিবা মেচ অমদা সাউথ অফ্রিকাগী টিমনা ইংলেন্দগী টিমবু ৱিকেট ৬তা থোইবা ঙমখ্রে।

টিম ৫/৫ মপুং ওইদুনা গ্রুপ অনী থোক্লা অপুনবা টিম ১০গী টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি গ্রুপ ‘বি’দা সাউথ অফ্রিকানা টোস ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা ইংলেন্দগী মায়কৈদগী অপীবা ওভর ২০দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ১২৩ খক লৌখি।

ইংলেন্দগী মায়কৈদগী ৩শুবা বেটচৰিমেন নতালি স্ক্রাইবরনা ইন্নিংস অদুগী অমত্তা ঙাইরবা সিক্স অদু য়ৈখিবগা লোয়ননা বোল ৪১দা ফোর ৫ অমগসু য়ৈরগা রন ৫০ লৌখিবা অদুনা টিম অদুগী খ্বাইদগী ফজবা ইন্নিংস ওইখি। ওপনর এমি ইলেন জোন্সনা রন ২৩ লৌরম্বা অমদি ৫শুবা বেটচৰিমেন ফ্রনৱিলসননা রন ১৪ লৌরমখি।

মদুগী পাউখুমদা সাউথ অফ্রিকাগী মায়কৈদগী ইন্নিংস শান্নরকপদা চাওনা ফজবা ঙমখি। টিম অদুগী ওপনর লিজেল লিয়ু শুপ্নগী রন ৪দা আউট ওইখি। অদুবু নৌনা চঙলকখিবা মারিজেন কাপ লোয়ননা য়াম্না ফজবা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনর্সিপ শেমদুনা অপুনবা স্কোর ৯০ শুহল্লকখি।

মারিজেন কাপ রন ৩৮দা আউট ওইখি। মদুগী মতুং অহেনবা রন হাপত্রিঙৈ কেপ্টেন দারেন ভান নৈক্রকসু সিক্স ২, ফোর ২ য়ৈরল্লগা বোল ৫১দা রন ৪৬ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ইন্নিংস অদু ওইখি।

সাউথ অফ্রিকাগী মিগোন দু প্রিজ মশাগী রন ৪২দা আউট ওইখি। মায় পাকপগী রন মশিং য়ামশিল্লক্তুনা লৈরিঙৈ স্লোইয়ে তাইরোনসু রন ১২দা আউট ওইখি। ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা ৱিকেট ৪খক আউট ওইরগা ২০শুবা ওভরগী ৪শুবা বোলদা রন ১২৭ য়ৌদুনা মেচ অদু ৱিকেট ৬তা সাউথ অফ্রিকানা থোইখি।

Group A

| | Team | Mat | Won | Lost | Tied | NR | Pts | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | New Zealand | 1 | 1 | 0 | 0 | 0 | 2 | +1.065 |
| 2 | India | 1 | 1 | 0 | 0 | 0 | 2 | +0.850 |
| 3 | Bangladesh | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0.000 |
| 4 | Australia | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -0.850 |
| 5 | Sri Lanka | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -1.065 |

Group B

| | Team | Mat | Won | Lost | Tied | NR | Pts | NRR |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | West Indies | 1 | 1 | 0 | 0 | 0 | 2 | +0.900 |
| 2 | South Africa | 1 | 1 | 0 | 0 | 0 | 2 | +0.308 |
| 3 | Pakistan | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0 | 0.000 |
| 4 | England | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -0.308 |
| 5 | Thailand | 1 | 0 | 1 | 0 | 0 | 0 | -0.900 |

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৩

১) মেগা মরাথন পাঙথোকপগী অনীশুবা চহীদা করম্বা ক্লবকী লমজেল্লোয়না নুপাগী ওপনদা অহুমশুবা পোজিসন ফংখিবগে?

২) টোকিও ওলিম্পিক্তা ঐহাক্লা লমজেল অমদা খ্বাইদগী মমৈদা হায়বদি মতুংদা থুংলখি। অদুবু ঐগী ওলিম্পিক্কী স্পিরিট হায়বদি ওলিম্পিজমগী পুকচেল অদুবু জপান পুম্বনা হৌজিক ফাওবা নীংশিংবিরি। ঐহাক কানো?

৩) কলকতা সহরনা Beighton Cup কীদমক চাওথোকচৈ, মতৌ অসুম্না মুম্বাইনা মসিগা মান্নবা কপ অমগীদমক চাওথোকচৈ। কপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) মহাক ওলিম্পিক অমদা মহাক্লা শরুক য়ারিবা থৌরম অমদা অহুমশুবা তাখি। মথংগী ওলিম্পিক্তা মহাকপু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা মহাক্কী লৈবাক অদুগী সরকারনা মতিক চাবা ওজাগী মখাদা মতিক চাবা খুদোংচাবা কয়মুক পীদুনা হোৎনহনখি। মেক্সিকো ওলিম্পিক তৌগদবা থা খজিত্তং ঙাইরবা মতমদা মহাক মশা মতোমতা শীজখি। মরমদি মহাক মমা লৈবাক্কী মীংচৎ পুরকপা ঙন্নরোই হায়বা খঙখি। মহাক কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৯, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# ওরিষা এফ সী অমসুং কেরলা ব্লাষ্টর্স এফ সী মখোয়গী অরোইবা মেচতা পাঞ্জল ৪-৪দা দ্রো চৎখ্রে

Match on 25 Feb. (Tue) 2020
NE UNITED Vs CHENNAIYIN



ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারী ২৩(এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারকখিবা ওরিষা এফ সীনা য়ুম্মু ওইরগা ঙসি কেরলা ব্লাষ্টর্সকা কলিঙ্গা ষ্টেডিয়মদা শান্নখিবা টিম অনীমক্কী অরোইবা লীগ মেচতা পাঞ্জল ৪-৪ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মেচ হেক হৌরকপগা ওরিষা এফ সীগী মায়কৈদগী জে মাওৱিমিংথাঙ্গানা পীরকখিবা বোল অমদা টিমমেট মেন্যুলনা অহানবা মিনটতা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমখি। অদুবু কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা ওরিষা এফ সীগী এন দাসনা শোইবদগী ইক্কেলাইজর অদু কেরলাদা পীথোকখি।

শান্নবগী ২৮শুবা মিনটতা এটেক হেন্না চথরকখিবা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী আর বাওলিনা পাঞ্জল চন্দুনা ওরিষাবু ২-১দা হেনখি। অদুবু অহানবা হাফ লোইরমদাইদা ওরিষা এফ সীগী মায়কৈদগী চথরকখিবা অকনবা এটেক অমদা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা মেন্যুলনা ইক্কেলাইজর অদু ৩৬শুবা মিনটতা চনখি। ৪৪শুবা মিনটতা ওরিষাগী পেনাল্টি অমদা পেরেজনা পাঞ্জল ওন্থোকখি।

অহানবা হাফতা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা মেন্যুলনা ৮১শুবা মিনটতা মহাক্কী হেটট্রিক অদু ফংখি। পাঞ্জল ৪-২দা হেল্লম্বা অদু কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদগী বি ওগবেচেনা ৮২শুবা অমসুং ইঞ্জুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা পানাল্টি অনী চন্দুনা ৪-৪দা দ্রো চৎখি।

## সুটআউট মায় পাক্তুনা ইন্দিয়া বোনস পোইন্ট অমা ফংখ্রে

ভুবনেশ্বর, ফেব্রুৱারী ২৩(এজেন্সী): হোক্কি প্রো লীগকী ঙসি ওরিষাগী সিটি ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিংঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা মেচ অদু পেনাল্টি সুটআউটতা ইন্দিয়ানা ৩-১দা থোইদুনা বোনস পোইন্ট অমা ফংবা ঙমখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ২১দা লৈবাক অনীনা শান্নখিবা অহানবা মেচ অদু লীগ অসিগী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়ানা ইন্দিয়াবু পাঞ্জল ৪-৩দা থোইখিবনি। ঙসিগী মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা ফজবা হানখিবদগী অহানবা হাফ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী হরমনপ্রিট অমসুং রুপিন্দরনা পাঞ্জল অমা চল্লগা ওষ্ট্রেলিয়াগী ট্রেন্ট মিটোনা পাঞ্জল অমা চনখি। অনীশুবা হাফতা ওষ্ট্রেলিয়াগী অরান জালেসকিনা ইক্কেলাইজর অদু চল্লবা মতুং পেনাল্টি সুটআউটতা ইন্দিয়ানা ৩-১দা থোইখি।

# পি ৩ টি টি একাদেমি থৌবালগা অনৌবা স্কুল অনীগা এম ও য়ু ইনখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৩(ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈরিবা পীক্লিবা টেবল টেন্নিস শান্নরোয়শিংবু য়োকখৎপা অমদি শেমগৎনবগী পান্দমদা হৌখিবা কুমজা ২০১৭গী জুন ১১দা শেমখিবা পি ৩- টি টি একাদেমি থৌবালগী অহুমশুবা চহীগী মীফম ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টি টি ইন্দোর হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা পি ৩ টি টি একাদেমিগী চেয়রমেন ডা. ওক্রম ইবোপিশক, ভাইস চেয়রমেন ডা. এন রঞ্জিত, এফ ই এস (এস ই এস)কী প্রসিদেন্ট ঐচ প্রিয়োকুমার, টি দি টি টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট কোন্সম মাইকেল, পিছ এন্দ ফ্রিদম একাদেমিগী মেনেজিং দিরেক্টর বিশ্বজিৎ সিংহ অমদি এম এস গ্লোবল একাদেমিগী ফাউন্দর এম সুরেস সিংহনা মীথুংলেনশিং ওইনা ফমখি।

একাদেমি অসিগী হান্না পার্টনর ওইদুনা লৈরিবা স্কুল ৩ - সোফিয়া ইংলিস স্কুল, ফেন্সিয়র অবিরাম অমদি পেরাদাইস ইংলিস স্কুলনি। মসিগী মথক্তা ঙসি অনৌবা স্কুল ২- পিছ এন্দ ফ্রিদম একাদেমি অমসুং এম এস গ্লোবল একাদেমি হৌখাগসু টি দি টি টি এগা মেমোরেন্দম ওফ অন দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) য়ানা খুৎয়েক পীনদুনা অহেনবা শান্নরোয়শিং শেমগৎনবা থৌরাং হৌখ্রে।

ঙসিগী চহীগী মীফম অদুদা পি ৩ টি টি একাদেমিগী কো-ওর্দিনেটর ডা. এ কে ব্রোজেননা হৌখিবা চহী ২০১৯দা চৎখিবা শেনবশিং, এচিভমেন্টশিং, লাক্কদবা চহীদা তৌগদবশিং কুপ্না খন্ন-নৈনখিবগা লোয়ননা একাদেমি অসিবু অমদি টি টি মশান্নবু পুক্লিং থৌগৎপীবা, স্পোন্সর তৌবিরকখিবশিং, ট্রেনরশিং, পার্টনরশিংদা অমদি শান্নরোয়শিংদা একাদেমিগী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোলপোৎশিং তুমদুনা ইকায়খুম্নবা ফোঙদোকখি।

# এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা ইন্দিয়াগী জিটেন্দর কুমার ফাইনেলদা মায়থীহৌবদগী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রে

ASIAN CHAMPIONSHIPS
NEW DELHI 2020



ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারী ২৩(এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ুম্মু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কিলোগ্রাম ৭৪দা ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিংদা ইন্দিয়াগী জিটেন্দর কুমার ফাইনেলদাদা মায়থীহৌদুনা সিলভর মেদল ফংখ্রে। নাকল অমরোমদা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী রেষ্টলর অনী দিপক পুনিয়া অমসুং হাহুল অৱারে ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রে।

জিটেন্দর কুমারনা মহাক্কী সেমীফাইনেল বাউটতা মোঙ্গোলিয়াগী রেষ্টলর সুমিয়াবজার জান্দনবুদপু পোইন্ট ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

ফাইনেলদা য়ৌখিবদগী জিটেন্দরনা কিরগিষ্টানগী বিস্কেকটা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক ক্কালিফায়প টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী ওইনা কিলোগ্রাম ৭৪দা মহুৎশিন্নবাগীদমক ক্কালিফাই ওইখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা কেটগরি অসিগী মমাং চহীগী চেম্পিয়ন কজাক্সটানগী দানিয়র কাইসামোবকা লম্বা তৌনরকপদা পোইন্ট ১-৩দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌবনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা রেষ্টলর অনী দিপক পুনিয়া অমসুং রাহুল অৱারে মখোয় মখোয়গী কেটগোরিদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। দিপক পুনিয়ানা কিলোগ্রাম কিলোগ্রাম ৮৬তা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখিবনি। অদুগা রাহুল অৱারেনা কিলোগ্রাম ৬১গী কেটগোরিদা অহুমশুবা পোজিসন তাদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।


এসিয়ন রেষ্টলিং চেম্পিয়নশিপ অসি নুপাগী ফ্রিষ্টাইল অমসুং গ্রেকো-রোমান অমদি নুপীগী ফ্রিষ্টাইল ইভেন্টশিংদা লম্বা তৌনখিবনি। অপুনবা মেদল টেল্লিদা জপাননা গোল্ড ৮, সিলভর ৪ অমসুং ব্রোঞ্জ ৪ পুন্না মেদল ১৬ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

ইরানগী টিম্না গোল্ড মেদল ৭, সিলভর ৩ অমসুং ব্রোঞ্জ মেদল পুন্না মেদল ১৭ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা য়ুম্মু ওইখিবা ইন্দিয়াগী টিম্না গোল্ড ৫, সিলভর ৬ অমসুং ব্রোঞ্জ ৯ ফংলগা পুন্না মেদল ২০ লৌরগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

ইন্দিয়াগী গোল্ড মেদল ফংখিবা রেষ্টলরশিং অদুদি, নুপাগী ফ্রিষ্টাইল ইভেন্টতা রবি কুমার দহিয়া (কেজি ৫৭), গ্রেকো-রোমানদা সুনিল কুমার (কেজি ৮৭) অমসুং নুপীগী ফ্রিষ্টাইল ইভেন্টতা পিঙ্কি (কেজি ৫৫), সরিতা মোর (কেজি ৫৯) অমসুং দিবয়া কক্রন (কেজি ৬৮)নি।

# বিক্টর অজেলসেন অমসুং পোর্নপাওৱি সোচুওংনা টাইটল লৌখ্রে

BARCELONA SPAIN MASTERS



বর্সেলোনা, ফেব্রুৱারী ২৩(এজেন্সী): য়ু এস দোল্লর ১৭০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা বর্সেলোনা স্পেন মাষ্টর্স বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচশিংদা মায় পাক্তুনা নুপাগী সিঙ্গলসতা দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেন অমসুং থাইলেন্দগী পোর্নপাওৱি সোচুওংনা টাইটল ফংখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী নম্বর ১ ওইরিবা দেনমার্ককী ভিক্টর এজেলসেননা ফাইনেলদা নহা ওইরিবা থাইলেন্দগী শান্নরোয় কুনলাভুট ভিটিদসার্নবু ষ্ট্রেট গেম ২দা ২১-১৬, ২১-১৩দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি। ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম ভিটিদসার্ননা সেমিফাইনেলদা থোইরম্বনি।

নুপীগী ফাইনেল মেচতা নম্বর ১ সিদেদ স্পেনগী কেরোলিনা মারিননবু ৬শুবা সিদেদ থাইলেন্দগী পোর্নপাওৱি সোচুওংনা ১১-২১, ২১-১৬, ২১-১৮দা থোইরগা নুপীগী টাইটল ফংখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী লিয়াং অমসুং ৱাং চি লিনবু ৪শুবা সিদেদ দেনমার্ককী পেয়র কিম অষ্ট্রুপ অমদি এন্দর্স স্কারোপ রাসমুসেননা ২১-১৭, ২১-১৯দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখি।

নুপীগী দবলস ফাইনেলদা নম্বর ১ সিদেদ ইন্দোনেসিয়াগী গ্রেসিয়া পোলি অমদি অপ্রিয়ানি রাহায়ুনা বলগেরিয়াগী পেয়র গ্রেব্রিএলা ষ্টোয়েভা অমসুং ষ্টিফানি ষ্টোইভাবু ১৮-২১, ২২-২০ অমসুং ২১-১৭তা থোইদুনা মকোক ওইখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী টোম গিকেল অমদি দেলফিন দেলরুবু সাউথ কোরিয়াগী পেয়র কিম সা রাং অমদি কিম হা নানা ১৫-২১, ২১-১১, ২১-১০দা মায় পাক্তুনা কাংলুপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

# ইন্দিয়াগী গনসেখরন সাথিয়ান অমসুং সরত কমালনা নুপাগী দবলসকী কাংলুপ্তা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রে

ITTF WORLD TOUR



বুদাপেষ্ট, ফেব্রুৱারী ২৩(এজেন্সী): ইন্টর্নেসনল টেবল টেন্নিস ফেদরেসনগী ৱর্ল্ড টুরগী মনুং চনবা হঙ্গেরিয়ন ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০২০গী নুপাগী দবলস ফাইনেল মায়থীদুনা ইন্দিয়াগী পেয়র গনসেখরন সাথিয়ান অমসুং সরত কমাল সিলভর মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

বুদাপেষ্ট সিটিদা থা অসিগী ১৮দগী শান্নবা হৌরকখিবা টুর্নামেন্ট অদুগী সেমীফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা হোং কোংগী পেয়র হো ক্বাং ফিট অমদি ৱোং চুন টিংদা লম্বা তৌনবদা য়াম্না অকনবা মেচ অমা মায়য়োক্নরগা গেম ৩-২দা থোইখি।

অহানবা গেম অনী ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা ১১-৭, ১২-১০দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা অমসুং মরীশুবা গেম অদু হোং কোংগী পেয়র অদুনা ১১-৪, ১১-৪দা থোইরগা দিসাইদিং গেমদা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা ১১-৯দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।


ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা জর্মনিগী পেয়র দুদা বেনিদিক অমসুং ফ্রান্সিস্কা প্রেট্রিককা লম্বা তৌনবদা গেম ১-৩দা মায়থীখি। অহানবা অমসুং অনীশুবা গেম অদু জর্মনিগী পেয়র অদুনা ১১-৫, ১১-৯দা থোইরবা মতুং অহুমশুবা গেম অদু ইন্দিয়াগী পেয়র অদুনা ১১-৮দা থোইখ্রবসু মরীশুবা গেম অদু জর্মনিগী পেয়র অদুনা ১১-৯দা থোইদুনা সিলভর মেদল ফংহৌবনি।

মিক্স দবলসতা ইন্দিয়াগী সরত কমাল অমসুং মনিকা বত্রা সেমীফাইনেলদা জর্মনিগী ফ্রানজিস্কা অমসুং সোলজা পেত্রিসাগী মখুত্তা ষ্ট্রেট গেম ৩দা মায়থীহৌখি। অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সথিয়ান প্রি-ক্বার্টরদা লৈহৌখি।

মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা হোং কোংগী ৱোং চুন টি ং অমসুং দু হোই কেমনা জর্মনিগী ফ্রানজিস্কা অমসুং সোলজা পেত্রিসাবু গেম ৩-২দা থোইরগা টাইটল লৌখি। নুপীগী দবলসতা জপানগী হিরানো মীয়ু অমসুং কাসুমি ইসিকৱানা হোং কোংগী দু হোই কেম অমসুং লী হো চিংবু গেম ৩-০দা থোইদুন টাইটল লৌখি।

# রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা কজাখষ্টানগী ইলিনা রাইবাকিনাবু ফাইনেলদা থোইদুনা দুবাই দ্যুটি ফ্রি টেন্নিসকী টাইটল লৌখ্রে

DUBAI DUTY FREE TENNIS CHAMPIONSHIPS



দুবাই, ফেব্রুৱারী ২৩(এজেন্সী): য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী কোনুং দুবাইদা পাঙথোকপা দুবাই দ্যুটি ফ্রি টেন্নিস চেম্পিয়নশিপকী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা কজাখষ্টানগী ইলিনা রাইবাকিনাবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেচ অদুদা শান্নরোয় অনীম্মক্না হৌবদগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা লেং মান্নখি। নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা সেমীফাইনেলদা য়ু এস এগী জেনিফর ব্রেদিবু ৬-২, ৬-০দা থোইরমখি। অমরোমদা কজাকজাখষ্টানগী ইলিনা রাইবাকিনানা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা ক্রোসিয়াগী পেত্রা মার্টিকপু ৭-৬(৭-৫), ৭-৬(৭-২)দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

থা অসিগী ১৭তগী হৌখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেচ অদুদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং কজাকজাখষ্টানগী ইলিনা রাইবাকিনাগা লম্বা তৌনবদা অহানবা সেট অদু রাইবাকিননা ৬-৩দা থোইখি। অনীশুবা সেটতা সাইমোনা হালেপনা অমুক ফজরকপদগী ৬-৩দা থোইরবা মতুং অরোইবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা টাই ব্রেক শান্নখি। মদুদা সাইমোনা হালেপনা ৭-৫দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসতা নম্বর ১ সিদেদ চাইনিজ টাইপৈগী সৈ সু ৱৈ অমদি জেক রিপব্লিক্কী বারবোরা ষ্ট্রাইকোভানা চাইনাগী জেং সাই সাই অমসুং জেক্কী বারবোরা ক্রেজিকোভাবু ৭-৫, ৩-৬, ১০-৫দা থোইরগা টাইটল ফংখি।